# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 29-03-2026)**

**পুলিস (এল)ঃ** দ্রগ অমদি খুৎলায় লল্লোনবা য়াওনা পুন্না মীওই তরেৎ সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফারে।

মনিপুর পুলিস কন্ত্রোল রুমগী চেরোল অমদা হায়-হৌখিবা ইরাই নুমিৎতা খুৎলায় লল্লোনবদা চেন্নবনি হায়বা মীওই অমা ইম্ফাল ইষ্টকী পোরোম্পাৎ অয়াংপলি লম্বীদগী সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফাখি। মীওই অসিদগী লোকেল মেট নোংমৈ অহুম, মেগজিন অনি ফংলে হায়রি।

জিরিবাম জিলাগী দিবোং অৱাং লৈকাইদগী মীওই অমা হেন্দ গ্রেনেদ অনি অমদি নোংমৈ মরু মঙাগা কোন্ননা ফারে । পুলিসকী পাউ অসিনা মখা তানা হায়-সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙরাং ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী হপ্তা কাংজৈবুং এরিয়াদগী আর.পি.এফ-পি.এল.এগী হকচিনবা মীওই অমা ফারে। য়ু.পি.পি.কেগী কাদরনি হায়বা মীওই অমসু ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী ঈশিংথেনবী মপাল লৈকাইদগী ঙরাং ফারে হায়রি।

মরক অসিদা, নার্কোটিক কন্ত্রোল ব্যুরো য়াওনা সেক্যুরিতিগী অপুনবা কাংবু অমনা চুরাচান্দপুর জিলাগী ঙাথল গ্রাউন্দদা অচৎ অওকশিং চেক তৌরিঙৈদা দি.আই.টাটা অমদা দ্রগ পুরকপা মীওই অনি ঙরাং ফারে। মীওইশিং অসিদগী সাপোন কেপ ২০৭ তা হাপ্লম্বা হেরোইন ফারে হায়রি।

অমরোমদা, চুরাচান্দপুর জিলাগী মাতিজাং অমসুং থোলজাং খুলদা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা আইটিৱান এম.এমগী মোটার বোম অনি ফংবা ঙমখ্রে হায়রি।

এন.দি.পি.এসকা মরী লৈনবা কেসশিং থিজিন্নবগী মতাংদা ত্রেন্নিং সেসন অমা তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বাটরসতা ঙরাং পাঙথোকখ্রে। এন.দি.পি.এসকী পাব্লিক প্রোজিক্যুটর, এদিসনেল পাব্লিক প্রোজিক্যুটর অমসুং পোক্সোগী

প্রোজিক্যুসন দিপ্যুতি দাইরেক্তরনা পুলিসকী ইনভেষ্টিগেটিং ওফিসারশিং অমসুং পার্সোনেলশিংদা ত্রেন্নিং পীবগা লোয়ননা পুলিস অমসুং প্রোজিক্যুসন অনিগী মরক্তা নীংথিনা পাউ ফাওনদুনা মতেং পীনবগী তঙাইফদবা ৱাফম কয়াসু ফোংদোকখি।

**নোং (এল)ঃ** ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট ইম্ফাল সেন্তরনা হায়রি-লাক্লিবা নুমিৎ খরনি অসিদা রাজ্য অসিগী জিলা পুমমক্তা নুংশিৎ অমদি অখাক অরাউ য়াওনা নোং চুগনি।

ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট, জিরিবাম, বিষ্ণুপুর, ককচিং, সেনাপতি, তমেংলোং অমসুং ফেরজোলদা ঙসি অখাক অরাও য়াওনা নোং চুগনি হায়না ওরেঞ্জ এলার্ট লাউথোকখ্রে।

অমরোমদা, ওরেঞ্জন এলার্ট অসিগী য়েংলগা ককচিং দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটনা মীয়ামনা চেকশিন থৌরাং লৌখনিনবা চেরোল অমা থোকখ্রে। চেরোল অদুনা হায়-মীয়মানা তুরেল তোর্বান কায়রকপা য়াবা মফমশিংদা চেকশিন্না লৈনবা, নোং চীংগী ফিভম ফগৎলক্ত্রিবা ফাওবা লৌউ শিংউগী থবকশিং লেপবা য়াওনা অতৈ খুদোংথিংঙাই ওইবা মফমশিংদগী লাপনবা লৈনবা খঙহল্লি।

**হিদাক(এল)ঃ** ফেমেলি ৱেলফিয়ার সাভির্সেস ইম্ফাল অমদি মনিপুর ষ্টেট হজ কমিতিনা শিনদুনা চহি অসিগী ওইনা হজ চৎকদবা যাত্রিকশিং হিদাক কাপথোকপগী কেম্প অমা ঙরাং ইম্ফালগী ফেমেলি ৱেলফিয়ার কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখ্রে।

ফেমেলি ৱেলফিয়ার সাভির্সেসকী দাইরেক্তর-ডা: এন. বিনোনা হায়-সাউদি অরাবিয়াদা হজ চৎকদবা মনিপুরগী হজ যাত্রিকশিং লৌগনবা লায়নাদগী ঙাকথোকবগী পান্দমদা হিদাক কাপথোকপগী থবক অসি পায়খৎপনি। পুন্না হজ যাত্রিক ৩৭৯ হিদাক কাপথোক্লে।

**এআর (এল)ঃ** অসাম রাইফলসনা শিংজমৈগী মৈরা পায়বীশিং, লিলোংগী দুকান মপু অমদি করবাররালাশিং, চন্দ্রখোং অমসুং থৌবালগী নহাশিং অমদি মনিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংগী কম্ম্যুনিতি মেম্বর অমদি ভিলেজ চীফশিংগা পুন্না উন্নখ্রে।

রাজ্য অসিদা লৈমিন্নরিবা ফুরুপ পুমমক অমত্তা ওইনা নুংশি চান্ননা লৈমিন্ননবগী পান্দমদা থৌরম অসি পাঙথোকপনি।

অমরোমদা, অসাম রাইফলসনা সি.ঐচ.সি-সিংহাৎ অমসং মেত্রো জোন হেলথ সার্ভিসকা পুন্না শিনদুনা হেলথ কেম্প অমা সেন্ট জোসেপ স্কুলদা পাঙথোকখ্রে। মদুদা মেদিকেল ষ্টাফশিংনা লেমা লায়েংবগা লোয়ননা হিদাক লাংথকশিংসু পীখি।

**থাং-তা(এল)ঃ** নৈনশঙ অমসুং স্পোর্টস ওথোরিতি ওফ ইন্দিয়া-এস.টি.সি. ইস্ফালনা থাং-তা লোইশঙ সনা কোনুংগী মতেংগা লোয়ননা শগোলবন্দ লুক্রাকপম লৈকাইদা নুমিৎ নিনি চত্থরকখিবা থাং-তা চাংদমবা ২০২৬ ঙসি লোয়শিল্লগনি।

লোয়শিনবগী থৌরমদা সাপম কুঞ্জকেশ্বর-এম.এল.এ. শরুক য়াগনি।

**মনকিবাট ঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী পুকিংগী ৱা, মনকি বাটকী ১৩২ শুবা ইপিসোদ ঙসি অয়ুক পুং ১১ দা অকাশবানিগী থোঙদা শন্দোক্কনি।

থৌরম অসি এ.আই.আর ন্যুজ, দি.দি. ন্যুজ, পি.এম.ও. অমসুং হনর্ফোমেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রালয়গী য়ু-ট্যুব চেন্নেলশিংদসু লাইফ ষ্ট্রিমিং তৌদুনা শন্দোক্কনি। থৌরম অসি এল.আর.এস চুরাচান্দপুরদসু শন্দোক্কনি। মসিগী মণিপুরী ৱাহন্থোক প্রধান মন্ত্রিনা ৱা ঙাংবা হেক লোইবগা অকাশবানি ইস্ফালনা শন্দোক্কনি। মসি ঙসি নুমিদাং পুং ৮ দসু অমুক হন্না শন্দোক্কনি। দাইলেক লোলশিংদনা হয়েং শন্দোক্কনি।

**পুদুচেরিঃ** রাজ্য মরি অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরি পুদুচেরিদা পাঙথোক্কদৌরিবা বিধান সভা মীখলগী য়েংলগা ইগজিত পোল তৌবা থিংলে।

হীরম অসিগী মতাংদা পুদুচেরিগী চীফ ইলেক্তোরেল-টি. জৱাহানা হায়-অথিংবা অসি এপ্রিলগী ৯ গী অয়ুক পুং ৭ তগী হৌরগা এপ্রিল ২৯ গী নুমিদাংৱাইরম পুং তরুক মখায় ফাওবনি।

অমরোমদা, অসামদা তাঙ্কক অমখক্তংদা পাঙথোক্কদৌরিবা বিধান সভা মীখল অসিদা জালুকবারি বিধান সভা কেন্দ্র অসি য়ামা মরুওইবা কেন্দ্র অমা ওইরি। সিট ১২৬ লৈবা অসাম বিধান সভাগী মীখল এপ্রিল ৯ দা পাঙথোক্কনি। জালুকবারি বিধান সভা কেন্দ্রদা মুখ্য মন্ত্রি-হিমন্ত বিশ্বাস শর্ম্মা, ইন্দিয়ান নেসনেল কংগ্রেসকী বিদিসা নিয়োক অমসুং ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ-দিপিকা দাসনা লম্বা থেংনগনি। কেন্দ্র অসিদা পুন্না ভোটর লাখ অনি লিশিং ৬ লোম লৈ হায়রি।

**অরুনাচলঃ** অরুনাচলগী মুখ্য মন্ত্রি-পেমা খন্দুনা সুভানশ্রী হাইদ্রো ইলেক্ত্রিক্ট প্রোজেক্টতা চৎতুনা নেসনেল হাইদ্রো ইলেক্ত্রিক্ট পৱার কোরপোরেসনগী ওফিসিএলশিং অমদি প্রোজেক্ট অসিদা থবক শুরিবা মীওইশিংগা উন্নখ্রে।

সুভানশ্রী লৱার হাইদ্রো ইলেক্তিক্ট প্রোজেক্টনা চহি অসিগী দিসেম্বর ফাওবদা লোয়শিনদুনা মৈ মেগাৱার্ট লিশিং অনি পুথোকবা পান্দম থল্লি। মসিনা লৈবাক অসিগী ওইনা খ্বাইদগী চাউবা হাইদ্রো ইলেক্ত্রিক্ট প্রোজেক্ট অমা ওইবা ঙল্লগনি।

**সিন্ধিয়াঃ** দোন্নর মন্ত্রি-জোতির অদিত্যা সিন্ধিয়ানা হায়রি-ভারত অমসুং গ্লোবেল সাউথকী মরক্তা অৱাং নোংপোক রাজ্যশিংনা থোং ওইরি। মসিনা মালেমগী থাক্তা শেল থুম অমদি কলচরেল একচেঞ্জতা অচৌবা থৌদাং লৌরি।

দিল্লি য়ুনিভরসিতিগী হিন্দু কলেজকী নোর্থ ইষ্ট সেলগী ১৫ শুবা চহিগী

কলচরেল ফেষ্টিবেল এন-ই-তিয়ম ২০২৬ তা শরুক য়ারদুনা শ্রী সিন্ধিয়ানা হায়-অৰাং নোংপোক্কী রাজ্যশিংনা তোঙান তোঙানবা লম কয়াদা মাংজিল থানা চৎলি। মহাকা হায়-ফেষ্টিবেল অসিনা অৰাং নোংপোক লমদমগী ইনাক খুল্লবা নাৎ-চৎনবী, ইনর্জি অমদি তৌবা ঙম্বশিং অদু উৎননবগী তঞ্জা অমা পীরে। মহাকা হায়-প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিগী লুচিং মখাদা অৰাং নোংপোক লমদমদা চাউনা অহোংবা পুরকপা ঙমলে।

**থাউঃ** সরকারনা হায়রি-লৈবাক অসিগী ওইনা পেত্রোল পম্পশিংদা পেত্রোল অমদি দিলজশিং মরাং কায়না লৈরি।

সরকারনা থোকপা চেরোল অমনা হায়-লৈবাক অসিদা এল.পি.জি. রিফিল্ড লাখ ৫৪ হেন্না পীখ্রে। পাউ অসিনা মখা তানা হায়-রিফাইনারিশিং মহৌশাগুম মথৌ তৌরি অমদি কম্মরসিএল এল.পি.জিগী এলোকেসনসু চাদা ৭০ দা হেনগৎলে।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

আইন কায়না চংশিল্লকপা মীতোপশিং খন্দোক্তুনা মরৈবাক হলহনখিনবগী মতাংদা ১৯৮০ অমসুং ১৯৯৪ দা সরকারগা য়ান্নখিবা ৰাফমশিং চহিসিগী এপ্রিল থা ফাওবগী মনুংদা থবক্তা ওন্থোকবা এমসুনা অরোইবা মতম থাখ্রে হায়না সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

তাংখুল এম.এল.এ. অহুম য়াওনা সি.এস.ওশিংনা সি.এম উন্নখ্রে, এন.আই.এগী কেস হন্দোকউ হায়না মেমোরেন্দম পীশিনখ্রে হায়বা পাউ অসি সনা লৈবাক্তা অহানবা হেদলাইন তৌরি। ভাইব্রেন্ট ভিলেজ প্রোগ্রাম টুগী মতাংদা ৱার্কশোপ পাঙথোকখ্রে, ভি.ভি. প্রোগ্রাম টুগী মখাদা মনিপুরগী বোর্ডর দিষ্ট্রিক্ট মঙাগী খুল ১৪৩ শেমগৎলগনি হায়না মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দনা

ফোংদোকখিবা ৱাফম অমসু পাউচে অসিগী অনিশুবা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনদা-সি.এস.ওশিংগী সেন্সসকী মীফম এপ্রিল ১২ দা য়েথোকখ্রে। লৈঙাকা ঙমলে তৌ, মীয়ামনা ঙমলে থিংগনি হায়না কেম্পেইন ফোর জজ এন্দ ফিয়ার দিলিমিটেসননা ফোংদোকখিবা ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি। ইম্ফাল-সিলচর ফ্লাইট সার্ভিস অথুবদা হৌহন্নবা খন্নখ্রে হায়বা পাউ অমসু পাউচে অসিদা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

পোকফমদা-সি.এম. খেমচান্দনা অমিত সাহবু ভিজনরি লিদর অমনি থাগৎখ্রে, ভি.ভি.পি. টুনা দিষ্ট্রিক্ট মঙাগী খুঙ্গংশিং চাউখৎহন্দুনা মহাও য়াওনা হিংহনবা ঙমগনি হায়না চীফ মিনিস্তরনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি।

এপ্রিল অমদগী য়ুনিফোর্ম শেৎতনা ষ্ট্রাইক চংশিল্লগনি হায়না ভি.দি.এফশিংনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অমসু পাউচে অসিদা অনিশুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

হুইয়েন লানপাউদা-সিংদা দাম মনাক্কী নীংথম লোক্তগী ফংবা শরদ পোলাংগী দি.এন.এ. টেষ্ট তৌবীনবা লাইশ্রম কমল বাবুগী ইমুংনা পুলিসতা তকশিনখ্রে। পুলিসনা লৌখৎলকখিবা শরদ পোলাং রিমসকী মীরেল শঙদা পুরকখ্রবসু পোষ্ট মোটেম ইগজামিনেসন তৌদ্রি হায়বা পাউ অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। মীতোপ খন্দোক্ত্রিঙৈদা সেন্সস পাঙথোকপা য়ারোই হায়বগী খোঙজং কনশিল্লক্লি হায়বা পাউ অমসু মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

নহারোলগী থৌদাংদা-লৈবাক অসিগী ইন্টরনেসনেল বোর্ডরদা লৈরিবা খুঙ্গংশিং শেমগৎপদা মনিপুরগী ওইনা খুঙ্গং ১৪৩ য়াওরে-সি.এম. হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।

ফ্রি মুভমেন্ট য়াদ্রিঙৈ আই.দি.পিশিং ময়ুমদা হনজিন্দ্রিঙৈদা করমা সেন্সস নিয়ম চুমা পাঙথোক্কদৌরিবনো-জে.এফ.দি. হায়বা পাউ অমসু পাউচে অসিদা অনিশুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

পিপলস ক্রোনিকলদা-সেন্সস তৌদ্রিবগদা এন.আর.সি. তৌ হায়বা মীয়ামগী খোল্লাউ কনখৎলক্লি হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি। এদিসনেল চীফ সেক্রেটরি-অনুরাগ ভাজপায়না ইম্ফাল ইন্টরনেসনেল ইয়ারপোর্টকী অনৌবা ইয়ারপোর্ট টার্মিনেল য়েংশিনখ্রে হায়বা পাউ অমসু মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

মনিপুর মেলদা-রেম্প স্কিমগী মখাদা নুমিৎ হুমনি চথ্থরকপা কেপাসিতি বিল্ডিং ৱার্কশোপ লোয়শিনখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।